# রসিয়াগী স্পাই ওইরম্বা বৃটিস এম্বেসিগী বর্লিনদা লৈবা গার্দ অমা চহী ১৩ গী ফাদোক পীখ্রে



লন্দন, ফেব্রুৱারী ১৭ (এজেন্সী):

বর্লিনদা লৈবা য়ুকেগী এম্বেসিগী সেক্যুরিটি গার্দ অমা ওইরম্বা মশাগী চহী ৫৮ শুরবা দেবিদ বলেন্টিন স্মিট ইরাই নুমিত্তা লন্দনগী কোর্ট অমনা চহী ১৩ গা থা ২ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

বৃটিস এম্বেসিগী হান্নগী সেক্যুরিটি গার্দ স্মিটনা মহাক রসিয়াগী স্পাই ওইনা থবক তৌদুনা বৃটিস গভর্ণমেন্টগী অরোন অথুপ কয়া মোস্কোদা তুমিন্না পীখি হায়বসি কোর্টতা য়াজখি। মহাক ষ্টিং ওপরেসন অমা চত্থদুনা ফাখিবনি। স্মিটনা হান্নগী য়ুকেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন অমসুং গভর্ণমেন্টগী অরোনবা কম্ম্যুনিকেসনশিং য়াওনা কনফিদেন্সিএল ইনফোর্মেসন চহী অহুম হেন্না কলেক্সন তৌদুনা মোস্কোদা থাখি।

প্রাইম মিনিষ্টর চেন্নবা গভর্ণমেন্টগী সিক্রেট কম্ম্যুনিকেসনশিংদা নত্তনা মহাক্না অতৈ সেন্সিটিব দোক্যুমেন্ট কয়াসু মোস্কোদা পীখি হায়রি। অদুম ওইনমক স্মিটকী কেস হিয়ারিং তৌখিবা কোর্টনা বৃটিস গভর্ণমেন্টগী থবক থৌরমশিং মায় পাকহন্দনবা চত্থখিবা মহাক্কী এক্তিভিটিশিং অদু চহী ২ মাঙ ওইননি হায়না এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মহাক চহী মঙা বর্লিন এম্বেসিদা থবক তৌখি। বৃটিস এম্বেসিগী হান্নগী গার্দ অসি ৱেষ্টর্ন স্কোটলেন্দগী পাইস্লিদগী হৌরকখিবনি। স্মিটনা মহাক্কী ৱারোলদা মহাক্না সেন্সিটিব ইনফোর্মেসন য়াওবা লেট্টর অনী বর্লিনদা লৈবা রসিয়ন এম্বেসিগী ইন্দিভিজ্যুএল অনীদা থাখি হায়না ফোঙদোকখি।

ওফিসল সিক্রেটস এক্টকী মখাদা ওফেন্স নিপানগা মরী লৈননা মশা মরাল লৈরে হায়বসি মহাক্না কুমজা ২০২২ গী নবেম্বরদা য়াজখি। ওফেন্সশিং অদুদা কুমজা ২০২০ গী নবেম্বরদা বর্লিনদা লৈবা রসিয়ন মিলিটরিগী মীওই জেনরেল মেজর সর্গি চুখোক্তা সেন্সিটিব ইনফোর্মেসন পাস তৌখি হায়বা চার্জ য়াওখি।

অতৈ চার্জশিং অদুদা পনবা য়াবদি, রসিয়াদা কান্নগদবা ইনফোর্মেসন লৌখিবা অমদি অতৈ রসিয়ন গভর্ণমেন্টনা পাম্বা বৃটিস গভর্ণমেন্টগী অরোন অথুপশিং খঙনবা হোৎনরম্বা য়াওখি। চার্জশিং অদুগী মনুংদা মরিদি এম আই ৫ ওফিসর অমগা মরী লৈনৈ। ওফিসর অদু বৃটেনদা মতেং পাঙনবা লৈখিবা রসিয়ন নেসনেল অমনি।

কোর্টতা স্মিটনা হায়খি, মহাক্না তৌখিবা থবকশিং অদুগীদমক্তা মশা মথন্তা কোন্না ইকায়রকখি। কোলিগশিংগা য়েৎনরকপদগী অমদি ৱাখল লায়না নারকপদগী মহাক্না অচুম অরানগী ৱাফম খন্থবা তৌদনা অরোন অথুপশিং কলেক্সন তৌবা হৌখিবনি।

দোক্যুমেন্টশিং অদুগী ফোটো অমসুং ভিদিওশিং লৌখিবদু মরু ওইনা য়ুগী ইথিলদগীনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা কোর্টতা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক স্মিটকী কেস হিয়ারিং তৌরিবা জজনা মহাক্না য়ুকে গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা শুপ্নগী অনীরক্তমক মোস্কোদা ইনফোর্মেসন পীখি হায়বা মহাক্কী ক্লেমশিং রিজেক্ট তৌখি। মোস্কোদা ইনফোর্মেসন পীবগী মঙোন্দা শেল পীখি হায়বা ৱাফম মহাক্না য়াখিদ্রবসু মহাক্কী ময়ুমদা মরম চাদনা য়ুরো ৮০০ ওইগদবা কেস লৈরম্বা থেংনখি।

বৃটিস এম্বেসিগী হান্নগী গার্দ স্মিট কুমজা ২০২১ গী ওগষ্টতা য়ুকে অমসুং জমর্ন ওথোরিটিশিংনা ফাখিবনি।

## ‘চাইনানা য়ুএসকী খুৎলায় শাবা কম্পেনিশিংদা থমখিবা অথিংবশিং নোর্মেল লো এনফোর্সমেন্ট এক্সননি’

বৈজিং, ফেব্রুৱারী ১৭ (এজেন্সী):

চাইনাগী টাইৱান রিজনদা খুৎলায় কয়া য়োনশিনখিবা য়ুএসকী কম্পেনি অনী থাজনিংঙাই ওইদবা এন্টিটিশিংগী লিষ্টতা হাপচিনখিবগা লোয়ননা মখোয়গী থৌওংশিং অদুগা মরী লৈননা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎলিবা অসি ‘নোর্মেল লো এনফোর্সমেন্ট এক্সন’ অমনি হায়না ইরাই নুমিত্তা চাইনাগী মিনিষ্ট্রি ওফ কমর্সনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সপার্সন অমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি চাইনানা য়াম্না কন্না অথিংবা পীখিবা ওইরবসু হৌখিবা চহী খরা অসিদা য়ুএসকী খুৎলায়গী কম্পেনিশিং লোকহিট মার্টিন কোর্পোরেসন অমসুং রেথিওন মিসাইল এন্দ দিফেন্সনা টাইৱানদা হঞ্জিন হঞ্জিন খুৎলায়শিং য়োনশিন্দুনা চাইনাগী নেসনেল সেক্যুরিটি, সোভরেন্টি অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটিদা শাথিনা শোকহনখি।

চাইনাগী এক্সন অসি ফোরেন ট্রেদ লো, নেসনেল সেক্যুরিটি লো অমসুং অতৈ মরী লৈনবা লোশিংগা লোয়ননা থাজনিংঙাই ওইদবা এন্টিটিশিংগী লিষ্টকা মরী লৈনবা রেগ্যুসেনগী আর্টিকল টুগী মতুং ইন্ননি হায়না স্পোক্স পার্সন অসিনা মখা তাখি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা শগোলশেল নুমিত্তা য়ুএসকী কম্পেনি অনী অসিবু লিষ্ট অদুদা য়াওহন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না লাউথোকখি। স্পোক্স পার্সন অসিনা হায়খি, মদুদি টাইৱানগী ৱাফম অসি চাইনাগী মনুংগী ওইবা ৱাফম্নি অমসুং মসি চাইনাগী কোর ইন্টরেষ্টশিংগী মনুং চল্লি। ইস্যু অসিগা মরী লৈননা মপানদগী খুৎ থিংজিল্লকপদা চাইনানা তুমিন্না লৈরোই। লোয়ননা ১-চাইনা প্রিন্সিপল অসি মালেম পুম্বনা শকখঙলিবা ইন্টরনেসনেল রিলেসন গভর্ণ তৌবা বেসিক নোর্মনি। মসি ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা য়ানরবা ৱাফম্নি।

য়ুএসকী কম্পেনি অনী অসিনা টাইৱানদা মিসাইলশিং, ফাইটর জেটশিং অমসুং অতৈ ওফেন্সিব খুৎলায়শিং য়োনশিনবা অসিনা চাইনাগী নেসনেল সেক্যুরিটি, সোভরেন্টি অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটিদা চাওনা শোকহনবগা লোয়ননা থৌওং অসিমক ১-চাইনা প্রিন্সিপল অমসুং চাইনা-য়ুএস জোইন্ট কম্যুনিকে অহুম ভাইওলেট তৌই অমদি টাইৱান ষ্ট্রেটসকী মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভমদা চাওনা শোকহল্লি হায়না স্পোক্সপার্সন অসিনা ফোঙদোকখি।

## সাউথ কোরিয়া-য়ুএসনা টেবলটোপ এক্সর্সাইজ পাঙথোক্লগনি

সিওল, ফেব্রুৱারী ১৭ (এজেন্সী):

নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শীজিন্নরকপা য়াবগী ফিভম য়েংদুনা অপুনবগী ওইবা ষ্ট্রেটেজি অমসুং রেস্পোন্স অমা শেম শানবগী পান্দমগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএসনা মথং চয়োলদা টেবলটোপ এক্সর্সাইজ অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

নোর্থ কোরিয়ানা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলিষ্টিক মিসাইল (আই সি বি এম)শিং য়াওনা মিসাইল লোঞ্চ কয়া পাঙথোক্লুনা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএসপু অকিবা পোকহন্দুনা লাকখি। ইরাই নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখিবদা এক্সর্সাইজ অদু এল্লায়ন্সকী হাই লেবেল দিটরেন্স ষ্ট্রেটেজি কম্মিটিনা লিদ তৌগনি অমসুং ফেব্রুৱারী ২২ দা পেন্টাগোনদা কন্দক্ট তৌগনি। মদুদা নাকল অনীমক্কী সিনিয়র দিফেন্স পোলিসি মেক্করশিং য়াওগনি হায়না সিওলগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়রি।

চৈরকসিদা য়ুএস-সাউথ কোরিয়া এন্যুএল মিলিটরি এক্সর্সাইজকী মায়োক্তা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা অকনবা রেস্পোন্স মতম শাংনা পীগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়ানা কিহনখ্রে। নোর্থকী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু টেন্সন হেনগৎহনবা অমসুং য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিল (য়ুএনএসসি) বু পিওংয়াংদা প্রেসর পীনবা ইল্লিগেল হোষ্টাইল পোলিসিগী খুৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নৈ হায়রদুনা চৈ থাংখি।

ষ্টেট মেদিয়া কেসিএনএনা ফোঙখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়খি, মদুদি নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসি চহী অসিদা রেগ্যুল্লর এক্তিভিটিশিং নত্তনা অখন্নবা মিলিটরি এক্সন অমত্তা চত্থখিবা লৈতে হায়রকখি। করিগুম্বা য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা মমাঙদা লাউথোকখ্রবা মিলিটরি দ্রিলশিংগী থৌরাং থবক ওইনা পাঙথোরকপা তারবদি দি পি আর কেনা মদুবু মিলিটরি পাঙ্গল উত্তুনা অকন অরিং শীংনবা হোৎনরকপনি হায়না লৌদুনা অদুগুম্বা থৌওং অদুগী মায়োক্তা পিওংয়াংনা মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা অকনবা রেস্পোন্স পীগনি।

## রসিয়াগী এসেটশিং ইয়ুনা মৎননবা হোৎনরক্লবদি মোস্কোনা রেস্পোন্দ তৌগনি

মোস্কো, ফেব্রুৱারী ১৭ (এজেন্সী):

রসিয়াগী ফ্রিজ তৌশিনখ্রবা এসেটশিং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) না মৎননবা ৱারেপ লৌরকপা তারবদি মোস্কোনা মদুগী মায়োক্তা অকনবা রেস্পোন্স পীগনি হায়না রসিয়াগী দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর অলেকজেন্দর গ্রুস্কোনা ফোঙদোকখ্রে।

টাস ন্যুজ এজেন্সিনা ওফিসল অসি পল্লদুনা হায়, ইয়ুনা অদুগুম্বা ৱারেপ লৌরকপা তারবদি রসিয়ানা মসিগী লিজিটিমেট ইন্টরেষ্টশিং প্রোটেক্সন তৌনবগীদমক মথৌ তাবা লৌখৎফম থোকপা থৌরাং পুম্নমক লৌখৎলক্কনি। মহাক্না ইয়ুগী এক্সন অদু মপুং ফানা ইল্লিগেল ওই অমসুং মালেমগী লৈবাক কয়ানা অদুগুম্বা খোঙথাং ইন্টরনেসনেল নোমসকা চান্নৈ হায়না মত পীবা লৈতে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ‘এটেক তৌরক্লবদি রসিয়াগী মীচংদা লান য়াওননবা বেলারসনা শেম শাদুনা লৈ’

মিন্কস, ফেব্রুৱারী ১৭ (এজেন্সী):

করিগুম্বা কিভকী আর্মিনা হান্না এটেক তৌরকপা থোক্লবদি য়ুক্রেনদা চত্থরিবা ওফেন্সিবশিং অদুদা বেলারসসু য়াওগনি হায়না বেলা রসিয়ন প্রসিদেন্ট অলেকজেন্দর লুকাসেনকোনা ফোঙদোকখ্রে।

লুকাসেনকোগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ঐহাক রসিয়াগী মীচংদা বেলারসকী টেরিটরিদগী লানদা য়াওননবা শেম শারে। তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না য়ুক্রেনগী লানদা য়াওননবা শেম শারিবসি শুপ্নগী কনাগুম্বা অমনা হায়বদি লান্মী অমখক্লা ওইরবসু খুৎলায়গা লোয়ননা ঐহাক্কী মীওইশিংবু হাৎননবা য়ুক্রেনদগী চঙশিল্লকপা মতম অদুদা ওইগনি।

নখোয়না বেলারসকী মায়োক্তা অকন অরিং শিংবগী থৌওং চত্থরক্লবদি ঐখোয়গী রেস্পোন্স খ্বাইদগী হেন্না শাথিগনি অমসুং চত্থরিবা ৱার অসি য়াম্না তোঙানবা মওং অমদা শোয়দনা লাক্কনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা মিন্কসনা ক্রেমলিনবু বেলারসকী লম শীজিন্নহন্দুনা কিভকী মায়োক্তা মিলিটরি ওপরেসন চত্থবা য়াহনখিবনি। এয়র ফোর্স দ্রিল কয়া পাঙথোকপা অমদি জোইন্ট মিলিটরি গ্রুপ অমা শেমখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মিলিটরি কো ওপরেসন হৌখিবা থা খরা অসিদা হেনগৎলকখি।

নাকল অনীগী মিলিটরিশিংগী মরক্তা কো ওপরেসন হেনগৎ-লকখিবা অসিনা কিভপু মিন্কসসু হৌজিক চত্থরিবা কনফ্লিক্ট অদুদা হেন্না এক্তিব ওইবা রোল অমা লৌরক্লগদ্রা হায়বগী অকিবা পোকহনখি। অদুম ওইনমক লুকাসেনকোনা হঞ্জিন হঞ্জিন অসিগুম্বা ক্লেমশিং য়াখিদবগা লোয়ননা মহাক্কী লৈবাকপু মোস্কোনা লান অদুদা চিংশিনবা তৌরোই হায়খি।

বেলারসকী প্রসিদেন্ট অসিনা মহাক ইরাই নুমিত্তা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগা উন্নগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নাটোনা কনফ্লিক্ট অদু হেন্না চাওথোক্লবা শিল্লকখিবনি হায়বা পুটিনগী ক্লেমশিং শৌগৎলদুনা লুকাসেনকোনসু নোংচুপলোমগী গভর্ণমেন্টশিংনা য়ুক্রেনগী লান থোকহনবনি অমদি লান অদু হেন্না কনশিলহনখিবনি হায়না মরাল শীখি।

ওফিস ওফ ডি

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

তাং ১৭-০২-২০২৩

**No.IMC/24/RO/3-Market/2020:** মালেমগী লৈবাক ২০ না শরুক য়াদুনা G-20 Summit ইম্ফালদা পাঙথোক্লিবা অসিগা মরী লৈননা ইমা কৈথেল ৩ (অহুম) অসিদা পোৎফম ফম্বীরিবী ইমা ইবেলশিংনা লাক্লিবা তাং ১৮-০২-২০২৩ অমসুং ১৯-০২-২০২৩ নুমিৎ অসিদা লেঙবীরক্লিবা দেলিগেটশিংনা মালেমদা শক্তাক্লিবা নুপীতগী ওইবা অমত্তা ঙাইরবা ইমা কৈথেল অহুম অসি য়েংবা লাক্কনি। মরম অদুনা ইমা ইবেলশিংনা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৮ (নিপান) তাবা মতমদা অকে অমৌগা লোয়ননা নাৎকী ওইবা ফিজোল শেৎপীরগা কৈথেল ফম্বা লাকপীয়ু হায়না Imphal Municipal Corporation গী মায়কৈদগী খঙহঞ্জরি।

**Sd/- Ksh Gyanendra Singh**
Asstt. Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-B/8034/18

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DISTRICT RURAL DEVELOPMENT AGENCY,
CHURACHANDPUR, MANIPUR

TENDER NOTICE

Churachandpur, the 16th February, 2023

**No. DC(CCP)/DRDA-BBD(NEC)/TENDER-HLP/2022-23:** The Deputy Commissioner /Executive Director, District Rural Development Agency (DRDA), Churachandpur invites items rate Tender in two bids system (Technical and Financial Bid) from approved and eligible GST registered Contractors for execution of 19 (nineteen) unit of works in Henglep TD Block for providing key identified service at Henglep Block, Churachandpur District, Manipur under Backward Block Development (BBD), North Eastern Council (NEC) 2022-23.

**BID SCHEDULE:**

a) Date of commencement of sale of Tender forms: 17.02.2023 (11:00 AM onwards)
b) Last date of issue of tender forms: 09.03.2023 (Till 11:00 AM)
c) Last date of receipt of Bids : 09.03.2023 (Till 04:00 PM)
d) Opening of Bids (Conference Hall, Mini-Secretariate, Tuibong)
i. Technical Bid : 13.03.2023 (11:00 AM)
ii. Financial Bid : 13.03.2023 (01:00 PM)

2. Details may be seen from the Notice Board, DRDA, Mini Secretariat, Tuibong, Churachandpur & district official website www.churachandpur.nic.in.

*Sd/-* (Sharath Chandra Arroju)
Deputy Commissioner/Executive Director
DRDA, Churachandpur, Manipur

HL-B/8035/18

OFFICE OF THE
IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Imphal, the 17th February 2023

**No. 4/19/2022-IMC:** It is hereby notified that a cow (Jersey, black and white fur multi-color) was impounded from **Allu Galli on 16th February, 2023 at about 7: 30 PM.**

It is also further notified that, the concerned cattle owner is directed to claim the respected cattle with proper documentary proof of ownership on payment of necessary fine/fees as applicable with an undertaking that, the aforesaid cattle should not be allowed to loiter in public streets or places in future. In the eventuality of failure to claim by the concerned owner of their respective cattle within 7 (seven) days from today, the Imphal Municipal Corporation shall be constraint to place the said cattle (cow) for public auction and the sell proceed shall be deposited in favour of the Imphal Municipal Corporation.

***Sd/-* K. Chandrakumar Singh**
Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-B/8032/18

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DY. COMMISSIONER/COMPETENT AUTHORITY
FOR LAND ACQUISITION UKHRUL DISTRICT, MANIPUR.

ꯈꯪꯍꯟꯖꯤꯟꯕ / NOTIFICATION

Ukhrul, the 16th February, 2023

**No.10/186/2022-REV(UKL)/0500 :** In pursuance of NOTIFICATIONS vide No. S.O. 582(E) dated 03.02.2023 issued by the Ministry of Road Transport and Highways, New Delhi, published in Central Government Extraordinary Gazette No. 553 New Delhi, Monday, February 6, 2023/MAGHA 17, 1944 it is hereby notified for information of all concerned that in exercise of powers conferred by sub-section (1) of section 3A of the National Highways Act, 1956 (48 of 1956) (hereinafter referred to as the said Act), the Central Government after being satisfied that for the public purpose, the land, the brief description of which are given in the SCHEDULE annexed hereto, is required for building (widening/two lane with paved shoulder/four laning etc.), maintenance, management and operation of NH-102A in the stretch of land from km 0.00 to km 3.00 (Shangshak to Tengnoupal section) in the district of UKHRUL, in the State of MANIPUR, hereby declares its intention to acquire such land.

Any person interested in the said land may, **within twenty one days** from the date of publication of this notification in the official Gazette, object to the use of such land for the aforesaid purpose under sub-section (1) of section 3C of the said Act. Every such objection shall be made to the competent authority namely, Deputy Commissioner, Ukhrul in writing and shall set out the grounds thereof and the Competent Authority shall give the objector an opportunity of being heard, either in person or by a legal practitioner, and may, after hearing all such objections and after making such further enquiry, if any, as the Competent Authority thinks necessary, by order, either allow or disallow the objections. Any order made by Competent Authority under sub-section (2) of section 3C of the said Act shall be final.

The land plans and other details of the land to be acquired under the notifications are available and can be inspected by the interested persons at the offices of the Sub-Divisional Officer, Ukhrul, and DC Office, Ukhrul, Eastern Block, Mini Secretariat buildings.

Gazette Notification and brief description of the land to be acquired with or without structures falling NH-102A is given at SCHEDULE enclosed and appended herewith.

**Sd/- Krishna Kumar, IAS**
Dy. Commissioner/Competent Authority for Land
Acquisition, Ukhrul

REGD. No. D. L.-33004/99

The Gazette of India

CG-DL-E-07022023-243490
EXTRAORDINARY
PART II—Section 3—Sub-section (ii)
PUBLISHED BY AUTHORITY

No. 553] NEW DELHI, MONDAY, FEBRUARY 6, 2023/MAGHA 17, 1944

MINISTRY OF ROAD TRANSPORT AND HIGHWAYS
NOTIFICATION

New Delhi, the 3rd February, 2023

**S.O. 582(E).**— In exercise of powers conferred by sub-section (1) of section 3A of the National Highways Act, 1956 (48 of 1956) (hereinafter referred to as the said Act), the Central Government, after being satisfied that for the public purpose, the land, the brief description of which is given in the Schedule below, is required for upgradation to two laning with paved shoulders of National Highway No 102A in the stretch of land from Km. 0.00 to Km. 3.00 (Shangshak to Tengnoupal Section) in the district of Ukhrul in the state of MANIPUR, hereby declares its intention to acquire such land;

Any person interested in the said land may, within twenty-one days from the date of publication of this notification in the Official Gazette, object to the use of such land for the aforesaid purpose under sub-section(1) of section 3C of the said Act.

Every such objection shall be made to the Competent Authority, namely, Deputy Commissioner / CALA in writing and shall set out the grounds thereof and the Competent Authority shall give the objector an opportunity of being heard, either in person or by a legal practitioner, and may, after hearing all such objections and after making such further enquiry, if any, as the Competent Authority thinks necessary, by order, either allow or disallow the objections.

Any order made by the Competent Authority under sub-section (2) of section 3C of the said Act shall be final.

The land plans and other details of the land covered under their notification are available and can be inspected by the interested person at the aforesaid office of the Competent Authority.

**SCHEDULE**

Brief Description of the land to be acquired with or without structures falling within the stretch of land from Km. 0.00 to Km. 3.00 (Shangshak to Tengnoupal Section) of the National Highway No 102A in the district of UKHRUL in the state of MANIPUR.

| State: MANIPUR | District: UKHRUL | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| Sl. No. | Survey / Plot Number | Type of Land | Nature of Land | Area (in Local Unit) | Area (in Hectare) |
| Taluk: Ukhrul | | | | | |
| Village: Shangshak | | | | | |
| 1 | SSK-1 | Private(Residential) | Dry | 0.0044782(Hectare ) | 0.0044782 |
| 2 | SSK-10 | Private(Residential) | Dry | 0.2153395(Hectare ) | 0.2153395 |
| 3 | SSK-11 | Private(Residential ) | Dry | 0.0088204(Hectare ) | 0.0088204 |
| 4 | SSK-12A | Private(Residential) | Dry | 0.0041201(Hectare ) | 0.0041201 |
| 5 | SSK-12B | Private(Commercial Land) | Dry | 0.0202305(Hectare ) | 0.0202305 |
| 6 | SSK-12C | Private(Forested) | Dry | 0.0065311(Hectare ) | 0.0065311 |
| 7 | SSK-12D | Private(Forested) | Dry | 0.0699440(Hectare ) | 0.0699440 |
| 8 | SSK-13A | Private(Residential ) | Dry | 0.0756078(Hectare ) | 0.0756078 |
| 9 | SSK-13B | Private(Agricultural) | Dry | 0.1498576(Hectare ) | 0.1498576 |
| 10 | SSK-14 | Private(Residential ) | Dry | 0.0211461(Hectare ) | 0.0211461 |
| 11 | SSK-15 | Private(Residential) | Dry | 0.0059573(Hectare ) | 0.0059573 |
| 12 | SSK-16 | Private(Residential) | Dry | 0.0047022(Hectare ) | 0.0047022 |
| 13 | SSK-17 | Private(Residential) | Dry | 0.0135054(Hectare ) | 0.0135054 |
| 14 | SSK-18A | Private(Residential ) | Dry | 0.0146161(Hectare ) | 0.0146161 |
| 15 | SSK-18B | Private(Forested) | Dry | 0.0598931(Hectare ) | 0.0598931 |
| 16 | SSK-19A | Private(Commercial Land) | Dry | 0.0329585(Hectare ) | 0.0329585 |
| 17 | SSK-19B | Private(Agricultural) | Dry | 0.2414108(Hectare ) | 0.2414108 |
| 18 | SSK-20 | Private(Commercial Land) | Dry | 0.0105514(Hectare ) | 0.0105514 |
| 19 | SSK-21 | Private(Commercial Land) | Dry | 0.0127310(Hectare ) | 0.0127310 |
| 20 | SSK-22 | Private(Commercial Land) | Dry | 0.0172305(Hectare ) | 0.0172305 |
| 21 | SSK-23 | Private(Residential) | Dry | 0.0146974(Hectare ) | 0.0146974 |
| 22 | SSK-24A | Private(Residential) | Dry | 0.0589489(Hectare ) | 0.0589489 |
| 23 | SSK-24B | Private(Residential) | Dry | 0.0640444(Hectare ) | 0.0640444 |
| 24 | SSK-24C | Private(Agricultural) | Dry | 0.0894513(Hectare ) | 0.0894513 |
| 25 | SSK-25A | Private(Residential ) | Dry | 0.1148745(Hectare ) | 0.1148745 |
| 26 | SSK-25B | Private(Residential) | Dry | 0.0567560(Hectare ) | 0.0567560 |
| 27 | SSK-26 | Private(Residential) | Dry | 0.1184973(Hectare ) | 0.1184973 |
| 28 | SSK-27 | Private(Residential ) | Dry | 0.0179303(Hectare ) | 0.0179303 |
| 29 | SSK-28 | Private(Residential ) | Dry | 0.0965522(Hectare ) | 0.0965522 |
| 30 | SSK-29 | Private(Residential ) | Dry | 0.2760143(Hectare ) | 0.2760143 |
| 31 | SSK-2A | Private(Residential ) | Dry | 0.0054361(Hectare ) | 0.0054361 |
| 32 | SSK-2B | Private(Residential) | Dry | 0.0022000(Hectare ) | 0.0022000 |
| 33 | SSK-2C | Private(Residential) | Dry | 0.0225964(Hectare ) | 0.0225964 |
| 34 | SSK-3 | Private(Residential) | Dry | 0.0056186(Hectare ) | 0.0056186 |
| 35 | SSK-30 | Private(Residential) | Dry | 0.0760645(Hectare ) | 0.0760645 |
| 36 | SSK-31 | Private(Residential) | Dry | 0.0810772(Hectare ) | 0.0810772 |
| 37 | SSK-32 | Private(Residential) | Dry | 0.0990011(Hectare ) | 0.0990011 |
| 38 | SSK-33 | Private(Residential) | Dry | 0.0780221(Hectare ) | 0.0780221 |
| 39 | SSK-34 | Private(Residential ) | Dry | 0.0895210(Hectare ) | 0.0895210 |
| 40 | SSK-35A | Private(Residential ) | Dry | 0.0495103(Hectare ) | 0.0495103 |
| 41 | SSK-35B | Private(Forested) | Dry | 0.2063979(Hectare ) | 0.2063979 |
| 42 | SSK-36A | Private(Residential) | Dry | 0.0231210(Hectare ) | 0.0231210 |
| 43 | SSK-36B | Private(Forested) | Dry | 0.4748236(Hectare ) | 0.4748236 |
| 44 | SSK-38 | Private(Residential) | Dry | 0.0146114(Hectare ) | 0.0146114 |
| 45 | SSK-39 | Private(Residential) | Dry | 0.0243767(Hectare ) | 0.0243767 |
| 46 | SSK-4 | Private(Residential ) | Dry | 0.0188954(Hectare ) | 0.0188954 |
| 47 | SSK-40 | Private(Residential) | Dry | 0.0538694(Hectare ) | 0.0538694 |
| 48 | SSK-41 | Private(Residential) | Dry | 0.0342701(Hectare ) | 0.0342701 |
| 49 | SSK-42 | Private(Residential) | Dry | 0.0536123(Hectare ) | 0.0536123 |
| 50 | SSK-43 | Private(Residential ) | Dry | 0.0473976(Hectare ) | 0.0473976 |
| 51 | SSK-44 | Private(Residential) | Dry | 0.0199249(Hectare ) | 0.0199249 |
| 52 | SSK-45 | Private(Residential) | Dry | 0.0528259(Hectare ) | 0.0528259 |
| 53 | SSK-46 | Private(Forested) | Dry | 0.1866924(Hectare ) | 0.1866924 |
| 54 | SSK-47 | Government(Residential ) | Dry | 2.0055844(Hectare ) | 2.0055844 |
| 55 | SSK-5 | Private(Residential ) | Dry | 0.0022000(Hectare ) | 0.0022000 |
| 56 | SSK-6 | Private(Residential) | Dry | 0.0209827(Hectare ) | 0.0209827 |
| 57 | SSK-7A | Private(Residential) | Dry | 0.0227862(Hectare ) | 0.0227862 |
| 58 | SSK-7B | Private(Residential) | Dry | 0.0575089(Hectare ) | 0.0575089 |
| 59 | SSK-8 | Private(Residential ) | Dry | 0.0232704(Hectare ) | 0.0232704 |
| 60 | SSK-9 | Private(Commercial Land) | Dry | 0.0171863(Hectare ) | 0.0171863 |
| | | | Total | 5.7668 | 5.7668 |

[F. No. NH-12012/02/2022/MN/Zone-V/3A2]

RAJESH GUPTA, Director

HL-B/8033/18